# হুইয়েন লানপাউ

Vol. 40, Issue No.315 | লৈবাকপোকপা, ফাইরেল ২৫নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, February 21, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## থোং লানবা য়ারে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ : নেসনেল হায়ৱে-৩৭গী বারাক থোংগী ওইথংবা বার ঙরাং কোন্থরকপদগী গাড়ী লানবা য়াদনা লৈরকপদু বি আর ওনা শেমজিনবদগী ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবদা থোং অসিদা গাড়ী লানবা য়ারে হায়রি।

## HL POLL

**Q:** Assembly electionda mai paklaba mirep adu miyamgi asengba mihutni haina louba chumbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

**Q :** Framework agreementta Manipurgi maramda karimatta yaode haiba Rajnathki wafam thajabra?

Yes 23% No 77%

## অস! লোইরেহে!

ঐনা ভোট কারদি, বন্দ-ব্লোকেদ লৈহল্লোই..., ৱাশল্লিসিনি...!



ৱাশক্তুনা হেন্না কিজখ্রে...!

## অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদা মীরেপ ৯৮না লম্বানরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০(ঐচ এন এস): মথং থা, মার্চ ৮দা পাঙথোক্কদবা অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদা মীরেপ ওইগদবশিংগী মীরেপ চে লৌথোকপগী মতম লোইখ্রে। লিলোং, ৱাংজিং তেন্থা, জীরিবাম অমসুং তেংনৌপাল এ সীদগী মীরেপ অমমমগী মীরেপ চে লৌথোক্লখ্রবা তুংদা এ সী ২২দা পুন্না মীরেপ ৯৮না লম্বা তৌনরগনি।

অনীশুবা তাঙ্কক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা ৩৮-হিয়াংলম অমসুং ৩৯-শুগ্নু এ সীদা মীরেপ অনী/অনীখক্তমক লম্বা তৌনরগনি। হিয়াংলম এ সীদনা আই এন সীগী মীরেপ এলাংজম দ্বিজমণি অমসুং বি জে পিগী মীরেপ ডো. রাধেশ্যাম য়ুম্নাম লম্বানরগনি। শুগ্নু এ সীদনা আই এন সীগী সিটিং এম এল এ কাঙুজম রঞ্জিৎ অমসুং বি জে পিগী য়ুম্নাম জিবন লম্বানরগনি।

মীখল অসিদা ৪১-চান্দেলনা মীরেপ খ্বাইদগী য়াম্বা এ সী ওইরি। এ সী অসিদা পুন্না মীরেপ তরেৎনা লম্বানগনি। ৩০-লিলোংদা মীরেপ তরুক, ৩১-থৌবালদা মীরেপ মঙা, ৩২-ৱাঙ্খেমদা মীরেপ মঙা, ৩৩-হৈরোক্তা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

## কোংগ্রেসকী মেনিফেষ্টো-ৱাই ফাইগী খুখাংদা ইন্টর্নেট লেম্না ফংহনগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০(ঐচ এন এস): মীখলগা মরী লৈননা ইন্দিয়ান নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী)গী মেনিফেষ্টো-২০১৭ ঙসি বি টি রোদতা লৈবা কোংগ্রেস ভবন্দা ওল ইন্দিয়া নেসনল কোংগ্রেস কন্মিটি (এ আই এন সী সী) জেনরেল সেক্রেটরি ডো. সী পি জোসিনা অথোইবা মীথুং ওইদুনা ফোঙখ্রে।

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী, এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপ, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম, কেবীনেট মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, সী এল পিগী মেম্বরশিং শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হায়খি, পার্টি অসিবু নুংশিবীদুনা থংন-থংননা টার্ম অহুল্লক থাগত্তুনা মণিপুরগী চাউখৎ থৌরাংদা অওনবা কয়া পুরকপা ঙমখ্রে। লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎলকপগা লোয়ননা এসেমব্লি সেগমেন্ট তরেৎতগী অফস্পা লৌথোকখিবগুম অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদগীসু লৌথোক্কনি হায়না থাজবা পীখি।

তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্কদবা মীখল অসিদা মণিপুর মীয়াম্না করিগুম্বা পার্টি অসিদা অমুক হন্না লৈঙাক শীন্নরবদি লাইরিক লাইশু হৈরবা নহা লাখ ৩ লোমদা...*মখা লামায় ৩ কলম ২*





**BALDEV**

*(A premier study circle)*

Uripok Khoisnam Leikai, Imphal

**CBSE HOLIDAY SPECIAL**

**CLASS VI to IX**

*Ongoing Admission* : CLASS XI & XII (CBSE & COHSEM)

*Ongoing Classes* : CLASS VII to IX (BOSEM)

**Features :**

- Smart class
- Well designed and furnished classrooms.
- Experienced and dedicated teachers.
- Good academic ambience & easy connectivity.
- A practical approach teaching style.
- Hostel facility for boys (class XI & XII)

❖ **Maximum intake : 20 students/class**

*For details please visit Baldev Office*

(4:00 to 6:30 p.m. on weekdays) OR call 8794609189

HL-P/0568/21-23Feb

